# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, OCTOBER 31, 2018 PAGE 7




*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরদা মিডফিল্ডর ওইনা শান্নরিবা অদুগা মখা তানা ক্লব অসিদা কুমজা ২০২৪ ফাওবা শান্নবগী সাইন তৌখ্রবা দেলে আলি*

*ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেটকী চিয়রমেন ফমগীদমক মীরেপ ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা মার্ক টেলর*



## এনইয়ুএফসিগী শান্নরোই ফেদরিকো অমসুং বার্থোলোমিয়ুনা চনখিবা পাঞ্জলনা দিল্লি দাইনামোসপু ২–০ দা থোইখ্রে









*নোর্থ ইষ্টকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা গালেগো অমসুং ফেদরিকোনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোই ফেদরিকো অমসুং বার্থোলোমিয়ুনা চনখিবা পাঞ্জলনা য়ুম্বু দিল্লি দাইনামোসপু ২–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু দিল্লি দাইনামোস এফসি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্লরকখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখ্রবসু দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংনা খুদোং চাবা পীখিদে।

শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংনা মতাং মতম চানা পুশিল্লকখিবা বোল অমদা টিম অসিগী শান্নরোই চাং টেনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়ান্না খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।

নাকল অনীনা অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিল্লকখি। অদুবু দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোইশিংনা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা টিম অসিগী শান্নরোই অনী য়েল্লো কার্দ উৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদু শান্নরকপদসু মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফেদরিকো গালেগোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী অতোপ্পা শান্নরোই বার্থোলোমিয়ুনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগা লোয়ননা অতোপ্পা সাফকী মেম্বর ৬ এএফসি কংগ্রেসকী মাঙওইননা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা এসদব্লিয়ুএএফএফতগী তোকখ্রে





*সাউথ ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনদা য়াওখিদ্রবা সাফকী ওফিসিয়েলশিং*

*কোলা লম্পুর, ওক্টোবর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগা লোয়ননা অতোপ্পা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসএএফএফ) গী মেম্বর ৬ এএফসি কংগ্রেসকী মাঙওইননা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা ফুটবোল বোদি এসদব্লিয়ুএএফএফতগী তোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসদব্লিয়ুএএফএফ) তগী তোকখ্রবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, নেপাল, ভুটান, মালদিপ্স, শ্রি লঙ্কা অমসুং পাকিস্থাননি।

ঙসি মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এএফসি) গী পাঙথোকখিবা থৌরম অমগা মরী লৈননা সাফকী মেম্বর ওইরিবা ইন্দিয়াগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাক ৬ না সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা ফুটবোল ব্লোক সাউথ ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনদগী তোকখিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসননা হৌরক্লিবা চহী খরা অসিদা এসিয়াগী লমদমদা শেল–থুম ফগৎনবগীদমক স্পোর্টস মার্কেটিং এজেন্সি অমা ওইরিবা দিদিএমপি ফোর্টিসকা সাইন তৌনখ্রে।

স্পোর্টস মার্কেটিং এজেন্সি অমা ওইরিবা দিদিএমপি ফোর্টিস অসি স্বিজ গ্রুপ ফোর্টিস স্পোর্টস অমসুং চাইনাগী দিদিএমসি স্পোর্টস ইন্টরনেসনেলগী জেইন্ট ভেঞ্চরনি।

ঙসি অঙনবদা মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা সাইন তৌনবগী থৌরমদা এসিয়া ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সৈখ সলমান ইব্রাহিম অল খারিফা অমসুং দিদিএমসিগী চিয়রমেন য়িরেন্টাওনা খূৎ শোক্লদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নখি।


এসিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চিয়রমেন সৈখ সলমাননা ফোঙদোকখিবদা নৌনা সাইন তৌনখিবা অসি এএফসিগী পুৱারীদা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা নুমিৎ অমা ওইরগনি হায়খি।

য়ুএস বিলিয়ন ৩.৪ রোমগী এগ্রিমেট অসিনা এসিয়াগী ফুটবোলদা য়াম্না থুনা চাওখৎপা অমা ওইরগনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি। এগ্রিমেট অসি কুমজা কুমজা ২০২১ দগী ২০২৮ ফাওবনি। সাইন তৌনখিবা অসিনা কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল ক্বালিফায়িং রাউন্দদগী হৌরগা এসিয়া লমদমদা শেল থুমগী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাক্লগনি হায়না এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## জুমহুর অমসুং খাচানোভ সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটাক অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে







*পেরিস, ওক্টোবর ৩০ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী দামির জুমহুর অমসুং রুশিয়াগী কারেন খাচানোভ নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাক অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির জুমহুরনা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা জুমহুরনা সিটসিপাসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। সেট অমা মাঙজিল থারিবা জুমহুরনা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা গ্রিসকী সিটসিপাসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা রুশিয়াগী কারেন খাচানোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ইবদেনবু অহানবা সেট ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুসু খাচানোভনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ ওষ্ট্রেলিয়াগী ইবদেন শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী রুশিয়াগী কারেন খাচানোভ অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কোনা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নরগনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাকনা স্পেনগী পেয়র ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ য়ুএসএগী পেয়র মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোক্কা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী ঘোসাল ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*দোহা, ওক্টোবর ৩০ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা চথরিবা কাটার ক্লাসিক স্কৱাস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরব ঘোসাল অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরব ঘোসাল বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙলকপনি। ঘোসালনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী শান্নরোই লিও অব্বুবু ষ্ট্রেট গেমদা ১১–২, ১১–৩, ১১–৫ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইজিপ্তকী শান্নরোই আলি ফারাগকা শান্নরগনি।

## দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফিদা রুশিয়াগী কসাটকিনা, বেলারসকী সবালেনকা অমদি বেলজিয়মগী মার্টেন্স গ্রুপ মেটচশিং থোইখ্রে

*ঝুহাই, ওক্টোবর ৩০ঃ*

চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা ঙসিদগী হৌখিবা দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফিদা রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা, বেলারসকী, অরিনা সবালেনকা অমসুং বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স মখোয়–মখোয়গী গ্রুপ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিদা গ্রুপ ৪ থোক্লা শান্নরি। গ্রুপশিং অদুদি অজালেয়া গ্রুপ, কামেলিয়া গ্রুপ, ওর্কিদ গ্রুপ অমসুং রোজ গ্রুপনি।

অজালেয়া গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিয়াবু ১১শুবা সিদেদ য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী শান্নরোই ৱাং কিয়াংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং গেম ২–১ দা থোইরম্বনি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট রুশিয়াগী কসাটকিনানা চাইনাগী ৱাংগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা লায়না থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা চাইনাগী ৱাংনা কন্না হোৎনরক্তুনা ৬–২ দা থোইরগা সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাক্লবা মতুং রুশিয়াগী কসাটকিনানা ৭–৫ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

ওর্কিদ গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেট সবালেনকানা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু সবালেনকানা বার্টিবু অহানবা সেটকা চপ মান্নবা স্কোর ৬–৪ দা থোইবা ঙমখি।

রোজ গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটপু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইটালিগী সেরি এ দা ইন্টরগী মাওরো ইকার্দিগী পাঞ্জল অনীনা লাজিওবু ৩–০ দা থোইদুনা ৬লক থংন–থংননা মায় পাকহনখ্রে



*ইন্টরগী মায়কৈদগী গোল ২ চনখিবা মাওরো ইকার্দি (ওই) না বোল ফংননবা লাজিওগী শান্নরোই অমা ইম্বোক্লবা হোৎনবা*

*রোম, ওক্টোবর ৩০ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মাওরো ইকার্দিগী পাঞ্জল অনীনা লাজিওবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইদুনা থংন–থংননা মেটচ ৬ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ইন্টরগী টিম সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা মেটচ ৯ শান্নখিবদা মেটচ ৬ মায় পাকপা, মেটচ অনী মায়থিরবা মতুং মেটচ ১ দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ১৯ ফংলগা টেবলগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা লাজিওগী টিমসু মমাঙদা মেটচ ৯ শান্নখিবা মেটচ ৬ মায় পাকপা অমসু মেটচ ৩ না মায়থিখিবদগী টেবল অসিদা পুন্না পোইন্ট ১৮ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

সেরি এ ফুটবোল অসিগী পোইন্ট টেবলদা জুবেন্টসনা মেটচ ১০ শান্নখিবা মেটচ ৯ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমনা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ২৮ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ঙম্লি।

ঙসি ইন্টর অমসুং লাজিওনা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মাওরো ইকার্দিনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা লাজিওদগী হেন্দুনা লৈখি।

লাজিওগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৪১শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মার্সেলো ব্রোজোভিসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্টরনা লাজিওবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনদুনা অকনবা এটেক চথরকখি। শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মাওরো ইকার্দিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না লাজিওবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইরম্বগা লোয়ননা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ৬ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্টরগী টিম ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৩ ফংদুনা পুন্না পোইন্ট ২২ য়ৌখিবদগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখি।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা মমাঙদা মকোক থোংদুনা লৈরম্বা লিভরপুলগা পোইন্ট ২০ / ২০ ফংমিন্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হেনখিবদগী টেবলগী মকোক থোংবা ঙমখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং টোটেনহাম হোটস্পরনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই রিয়াদ মহারেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙম্মখিদবদগী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু ১–০ দা থোইদুনা মকোক ওইবা ঙমখি।

## সাউথ কোরিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়া মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা এএফসি য়ু–১৯ চেম্পিয়নসিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*জার্কটা, ওক্টোবর ৩০ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং জার্কটাদা পাঙথোক্লিবা এএফসি য়ু–১৯ মেন্স চেম্পিয়নসিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়া সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি বেকাসিদা লৈবা পেট্রিওট কেন্দ্রাভাগা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা টাজিকিস্থানবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা লম্বা মান্নখিবদগী মিনট ৪০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জিওন সে জিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মদনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা টাজিকিস্থানগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সাউথ কোরিয়ানা ১–০ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলদা কাটারগা শান্নরগনি।

ষ্টেদিয়ম অসিমক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউদি অরাবিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোই অল অম্মারনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এটকিনসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোই অল বুরাইকাননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা ওষ্ট্রেলিয়াবু হেন্দুনা চৎপা ঙমখি।

শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা সাউদি অরাবিয়াগী এটেক অমদা অব্দুলহামিদনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৩–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা জপানগা শান্নরগনি।